# খোইনীং অমদি গুলাব

**ওস্কার ৱাইল্ড**

“ঐনা মঙোন্দা অঙাংবা গুলাব অমা পীরবদি মহাক ঐগা লোয়ননা জগোয় শাগনি,” ছাত্র নহাদুনা হায়, “অদুবু ঐগী লৈকোলদদি অঙাংবা লৈ অমতসু শাৎতে।”

উয়ুং পান্বী অমদা মহুম শাদুনা লৈরম্বা খোইনীং অমনা মাগী ৱাদু তারদুনা ঊনা মরক্তগী ঙক্লা য়েংথোরকই।

“ঐগী লৈকোল পুম্বসিদা গুলাব অঙাংবা অমতসু শাৎত্রবা!” মানা হায়রকখি, অদুগা ফজরবা মমীৎতা পিনা পূমথন থল্লি।

“পীকখ্রবা পোৎলম অমদা কয়াদা নুংঙাইবগী হৌফম ওইরিবা : অশিংবা মীনা ইরম্বা পূম্নমক পারে, দর্শন (ফিলোজোফি) গী অরোনবা পূম্নমকসু ইশাগী ওইরে, অদুবু গুলাব অঙাংবা অমা ফংদবদগী পুন্সি অসি কয়াদা অৱাবগী মশক ওইরবা!”

“কাইনথংদা অশেংবা নুংশিবা অমদি লৈরে,” খোইনীংনা হায়রকই, “অহীং মথং মথং মাগীদমক্তা শৈথাখ্রবনি। ঐনা মাবু মশক খঙদ্রবসু অহীং কয়া থৱানমিচাকশিংদা মাগী ৱারী লীখ্রবনি; ঙসিদি ঐ মাবু উরে। মাগী মশম অসি কবোকঙ মরাগুম মুই; মচীনবানসু মানা পামজরিবা গুলাবতুমুক ঙাংই, অদুগা অপাম্বা হায়বদুনা মমায় অসি শামু ময়া তাইফেৎ তাইবমক মালহল্লে। মাগী পীশুম মথক্তা অৱাবা হায়বদুনা চাজুম নল্লরে।”

“হয়েং নুমিদাংদি নিংথৌমচানা জগোয় অমা লাঙগদৌরি,” ছাত্র নহাদুনা মুরুম-মুরুম শোল্লকই। “ঐগী নুংশিবীদুসু য়াওগদৌরি। মসিদা ঐনা মঙোন্দা অঙাংবা গুলাব অমতং পীবা ঙল্লবদি ঐ মাগা নোংঙানবফাও জগোয় শামিন্নগনি। ঐনা অঙাংবা গুলাব অমতং মঙোন্দা পীরবদি ঐনা মাবু ঐগী পাম্বোমনা কোনশিনগনি। মানা মকোক্তু ঐগী লেংবান্দা ঙাথরগা মখূৎতুনা ঐগী খূৎ পায়শিনগনি। অদুবু ঐগী লৈকোলদদি অঙাংবা গুলাব অমতসু শাৎতে; ঐ ইদোম চীক্লা ফম্বা তাই; মানা ঐবু উশিন্নররোই, ঐবু করিসু খনবিররোই, ঐ থম্মোয় কায়রনি।”

“মাগীসি অশেংবা নুংশিবনি,” খোইনীংনা হায়, “ঐনা ঈশৈ শকই, মানা ৱারি; ঐঙোন্দা নুংঙাইবদু, মঙোন্দদি মৈচাক্লি। নুংশিবা হায়বসি অঙকপা পোৎ অমনি। মসিদি মণিদগীসু হেন্না মমল য়াম্মী, তম্ফাদগীসু হেন্না পাম্মূই। মণি মুক্তানা মসিবু লৈবা য়ারোই; সনাগা খল-চাং ওন্নবসু য়ারোই।”

“যন্ত্র খোংবশিংনা গেলেরিদা মখোয়গী ফমফমদা ফমগনি”, নহা ওইরিবা ছাত্রদুনা হায়, “অদুগা মখোয়গী মরী পানবী যন্ত্রশিংদু খোংগনি; ঐগী নুংশিবীনা হার্প অমদি ভাইওলিনগী মখোলদা জগোয় শাগনি। মহাক্লা মখোঙ লৈবাক তাদবমখৈ মশাদু য়াংনা জগোয় শাগনি। ফম্নাইবশিংনা হরাও-তয়াম্বা ফিজোলদা মাবু কোয়শিন্দুনা লৈগনি। অদুবু মহাক ঐগদি জগোয় শাররোই। মরমদি মঙোন্দা পীনবা অঙাংবা গুলাব লৈতে।” নাপী মথক্তা হীপথরগা মখূৎনা মমায় খুমজিল্লগা মহাক কপখি।

“করিগীনো মহাক্লা কপ্লিসিবো?” মমৈ থেক্কুৎতুনা মনাক্তা চেল্লিবা অশংবা নুমিৎয়ুংবীদুনা হংলকই।

“হোয়নে করিগীনো?” নুংশা মঙালদা মশা ফর-ফর খপ্লিবা কুরাক অমনা হংলকই।

“হায়গুম্মদনা করিগীনো?” লৈ মচানা মাগী যূল্লোন্নবদা ঈংনা তপ্পা হংলকই।

“অঙাংবা গুলাব অমগীদমক কপ্লিবনে, মহাক।” খোইনীংনা হায়রকই।

“অঙাংবা গুলাবকী?” মখোয়না হায়, “কয়াদা নোক্লীংখ্রবা ৱানো!” ফাগি হৈবা অপীকপা লিন অমদি নোকথোক্লকই।

অদুবু খোইনীংদুদি ছাত্রদুনা ৱারিবদুগী নুংগী ৱা খঙই; অদুগা উয়ুং পান্বী অমদা মহাক তূমিন্না তোংদুনা লৈ। অদুগা নুংশিবগী অঙকপা ৱাবু খন্দুনা লৈ।

ইখঙ খঙহৌদনা খোইনীংনা ৱাউথাংনবা মশা অনী অদু পাইগদবগী তিংথোরকই, অদুগা নুংশিৎতা পাইখি। মহাক মিগুম্না উমং লাম্থোকখ্রে, অদুগা মমিগুম লৈকোল অমদা পাইশিনখ্রে।

ময়ায়দা নাপী হৌবা লম মচেৎ অমদা গুলাব পান্বী ফজরবা অমা হৌরম্মী। খোইনীংনা মথক্তুদা পাইখৎলগা মশা অমদা তোংলে।

“অঙাংবা গুলাব অমতা পীয়ুবা,” মহাক্লা হায়, “অদুগা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিরবা ঈশৈ অমা নঙগীদমক ঐ শক্কে” অদুবু পান্বীদুনা হায়, “ঐগী গুলাবশিংসিদি অঙৌবা ঙাক্তনি সমুদ্রগী কোঙ্গোলগুম ঙৌই। চীংদা তাবা উনমুক ঙৌই। অদুনবু সনদাইল অমনবা মনাক্তা হৌবা ইপ্বাগী মনাক্তা চৎলু, মাদি নঙনা পাল্লিবদু পীরকপসু য়াই।”

খোইনীংদু, অমনবা সনদাইল মনাক্তা হৌরিবা গুলাব পান্বীদু তান্না পাইখ্রে।

“অঙাংবা গুলাব অমতা পীয়ুবা!” খোইনীংনা হায়রকই, “ঐ ঈশৈ খ্বাইদগী নুংশিবা অমা শক্কে।”

লৈপালদুনা মকোক হাইরদুনা হায়রকই, “ঐগী গুলাবশিংসি নাপু মচুগী ঙাক্তনি। ঈশিং লাইরেন্বী মাইসেইদোনগী মশমগুম নাপু মাল্লি; অদুগা লৌ খাওবনা থাঙ্গোল পায়দুনা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা লম্পাক্তা শাৎলম্বা দেফোদিলদগী হেন্না নাপু ওই। অদুনা ছাত্রদুগী থোঙনাও মখাদা হৌরিবা ঐগী ইনাওদুদা চৎলু, মানা, নঙনা পাম্বদু পীরকপা য়াই।”

হায়রিবা গুলাব পান্বীদু তান্না খোইনীংদু পাইখ্রে।

“অঙাংবা গুলাব অমতা পীয়ুবা,” খোইনীংনা হায়রকই, “ঐ নঙোন্দা ঐগী খ্বাইদগী নুংশিবা ঈশৈ অমা শক্কে।”

লৈপান্বীনা মকোক হাইরকই।

“ঐগী গুলাবশিং অসি ঙাংই,” মানা খুন্নকই, ”খুনু মখোঙগুম ঙাংই, চীংনুংহূৎকী ঈথক-ইপোল্লক্তা য়াওরকপা কোঙ্গেং মথাদগী হেন্না ঙাংই। অদুবু নিংথমথাসিনা ঐগী শিংলী-নাউরী লোইনা ফাজিনখ্রে; উননা ঐগী অপোম্বা লৈ পূম্নমক নোইথৎপিখ্রে। নোংলৈ-নুংশিৎনা উশা পূম্বা থুদেকপিখ্রে, অদুনা চহী চুপ্পসিমদি ঐ গুলাব শাৎলরোই।”

“ঐনা পাল্লিবসি গুলাব অঙাংবা অমখক্তনি,” খোইনীংনা হায়রকই, “অঙাংবা গুলাব অমখক! মদুবু ফংবা য়াবা মরম অমতা লৈত্রবরা?”

“লৈ, লম্বী লৈ,” উপালনা খুন্নকই, “অদুবু য়াম্না শাথীবা থবক্লি! ঐ নঙোন্দা হায়বা কি।”

“হায়যু করিনো,” খোইনীংনা খুম্মী, “ঐ কিদে।”

“নঙনা অঙাংবা গুলাব পাল্লবদি,” লৈপালদুনা হায়, “থাবলদা নঙগী ঈশৈনা মদুবু শেম্বা তাই; থম্মোয়গী ঈনা মচু শঙবা তাই। নথবাক্তা তিংখং যূশিন-যূশিল্লগা ঈশৈ শকউ, অহীং চূপ্পা শকউ। তিংখংদুনা নঙগী থম্মোয় থিনগাইগনি, অদুগা পুন্সি পীরিবা নঙগী ঈ অদুনা ঐঙোন্দা চেনশিল্লক্তুনা ঐগী ওইরগদবনি।”

“অঙাংবা গুলাব অমগী মমলদগী শিবা হায়বসিনা য়াম্না হেনখ্রবা পোৎনি,” খোইনীংনা হায়রকই, “পুন্সি হায়বসিনা'মুক পূম্নমক্তগী হেল্লি। অশংবা উমংদা ফমদুনা, নুমিৎনা সনাগী, থানা মুক্তাগী দোলাই তোংবা য়েংবা নুংঙাই। হোথোনগী মনম নুংশি, তম্পাক্তা শাৎলিবা ব্লুবেলসু ফজে, অদুবু নুংশিবা হায়বসিনা পুন্সিদগী হেন্না তাঙই; অদুগা মীগী থম্মোয়গা চাংদম্নরুরবদি উচেক অমগী থম্মোয়দি করিনো?”

খোইনীংনা, মাগী ৱাউথাংনরবা মশা অদু, পাইগদবগী ফন্দোরকই, অদুদগী অতিয়াদা পাইখ্রে, মমিগুম লৈকোলদুদা পাইশিনখ্রে, অদুগা মমিগী মতৌগুম উমং অদু লানশিনখ্রে।

ঙসাই লৈহৌবগুম ছাত্র নহাদু নাপী মথক্তা হীপ্লম্মী। নীংথিরবা মীৎলুদা পিরাং কংলমদ্রি।

“নুংঙাইয়ু,” খোইনীংনা হায়, “নুংঙাইয়ু, শোয়দনা নহাক অঙাংবা গুলাব ফংলনি। থাগী মঙালদা ঐগী ঈশৈনা মদুবু শাগৎকনি অদুগা ঐগী থম্মোয়গী ঈনা মদুবু মচু শঙগনি। মদুগী মহুৎ ওইনা ঐনা হায়জগদবা হায়ববু নহাক অশেংবা নুংশিরোই ওইবিয়ু, মরমদি নুংশিবা হায়বসি দর্শন শাস্ত্রদগী হেন্না শিংই; মহাক শিংলবসু, শক্তিদগী হেন্না চাউরবসু মশা অনী অদু মৈরী মচুনি, মশাবু মৈগী মচুনি! মাগী চীনবানদি খোইহীগুম থুম্মী; নুংশাস্বরনা ধূপকুম্না মনম নুংশি।”

ছাত্রদুনা মথক্লোমদা য়েংখৎলগা তায়। অদুবু খোইনীংনা মঙোন্দা করি হায়রিবনো হায়বা মহাক খঙদে, মরমদি মানা খঙলিবসি লাইরিক্তা ইরিবদুতনি। অদুবু উয়ুং পান্বীদুনদি খঙি, অদুনা মথৱায় ৱায়, মরমদি মাগী উশাদা মকোল শারিবা খোইনীংদুবু মহাক য়াম্না নুংশিজে।

“ঐঙোন্দা অরোইবা ঈশৈ অমতা শক্লম্মু,” মহাক্লা শোনখি। “নঙনা চৎখ্রবদি ঐসে ইতোমতা চীকহৌরনি। অদুনা খোইনীংনা উয়ুং পান্বীদুগীদমক্তা ঈশৈ শকখি। মাগী খোঞ্জেলদু লুপাগী খুজাইদগী ঈশিং হৈথরকপা মাল্লি।”

খোইনীংগী ঈশৈদু লোইরবা মতুংদা ছাত্রদু হৌগৎলকখি। অদুগা মাগী কাদা চঙলগা অচীকপা ফমুং মথক্তুদা হীপথখ্রে অদুগা নুংশিগী ৱাখলদা তাউদুনা লৈখ্রে; ঙাইহাক লৈরগদি তূমথখ্রে।

অতিয়াদা থানা থোক্লকপদা খোইনীংনা গুলাব পান্বীদা পাইরক্লগা মথবাক্তু গুলাব তিংখংদা যূশিলহল্লম্মী। মথবাক্তু তিংখংদা যূশিন-যূশিন অহীং চূপ্পদুমা মহাক ঈশৈ শক্লম্মী। ঈংবনা ফমজিল্লবা থানা ঙাথরগা ঈশৈ তারম্মী। খোইনীংদু অহীং চূপ্পদুমা ঈশৈ শকখি; তিংখংনা মথবাক্তা হেন্না যূশিল্লকখি পুন্সি ঈচেল চেলহল্লিবা ঈ অদু পুন্সিগী ওইনা খকখরে।

খোইনীংনা অহানবদা নুপামচা নুপীমচাশিংগী থম্মোয়দা নুংশি ঈহৌরকপগী ঈশৈ শকখি। গুলাব পান্বীদুগী খ্বাইদগী ৱাংবা মশাদুদা গুলাব অমা ফজনা শাৎলিবদু ঈশৈনা মথং মথং চথরকপগা লোয়ননা লৈনাসু মথং মথং চোংখৎলকখি। অহানবদা গুলাবতু তুরেল মথক্তা লৈচীল থাবগুম, চীংখৈ ফিদূপকী মখোঙ খোঙপাক্তুম তাইফেৎ তাইরম্মী। অয়ূক্কী চেক্লাগী মশাগুম লুপা মচু মাল্লম্মী। গুলাবতু পূম্প্রিগী ঈশিংদা তাবা মমিগী পাংখক ওইখরে।

পান্বীদুনা খোইনীংদা, নশাদু তিংখংদা কন্না যূশিল্লু, নপশিল্লকউ, নৎত্রবদি গুলাবনা মপূং ফাদ্রিঙৈ নোংঙানখিবনা হাল্লনি,” লাউরকখি।

খোইনীংনা মশাদু তিংখংদা হেন্না কন্না নপশিল্লকখি ঈশৈ অদুসু হেন্না হেন্না লাউখৎলকই মরমদি মানা শক্লিবদু নুপা নুপীগী থম্মোয়দা অপাম মৈশা মৈহৌরকপগী ঈশৈনি।

তিংখংদো খোইনীংগী থম্মোয় ফাওনা থিনবা ঙমদ্রি; মরম অদুনা গুলাবকী থম্মোয় ঙৌদুনা অদুম লৈরে। মরমদি খোইনীংগী থম্মোয়দগী শীন্থরকপা ঈতনা গুলাবকী থম্মোয় ঙাংলক্কদবনি।

গুলাব পান্বীনা খোইনীংদা, মথবাক্তা তিংখংদা খরগা হেন্না যূশিন্নবা হায়রকখি, “খরগা হেন্না যূশিল্লকউ, খোইনীং মচা, গুলাব শেম্বা লোইদ্রিঙৈ নোংঙানবনা হানখিবা তারে।”

খোইনীংনা মথবাক্তু তিংখংদা খরগা হেন্না নমশিল্লকই। তিংখংনা মাগী থম্মোয় য়ৌনা যূখ্রে; তমথীরবা অনা মৈচাক অমনা খোইনীংগী মশা শীন্না ফাওখি। মৈচাক অদু অসুম অসুম হেনগৎলকখি, লোয়ননা মাগী ঈশৈসু ময়াই কাবা হেল্লকখি। মরমদি অশিবনা মপূং ফাহনবা নুংশিবগী ঈশৈনি মহাক্লা শক্লিবসি। মোংফমদা শিদবা, নুংশিবগী ঈশৈনি মহাক্কী ঈশৈদি।

অদুদগী ফজরবা গুলাব অদু ঙাংশিল্লক্লে, লৈনা-লৈকাশিংদো তঙাং-তঙাং, থম্মোয়দুসু মুক্তাগুম ঙাংখ্রে।

অদুবু খোইনীংগী খোঞ্জেলদি অসুম অসুম মমি শামথরক্লে। মশা মচা অনীদু ফূবা হৌরক্লে; মমীৎ অদুসু মমশিল্লক্লে। মাগী ঈশৈ নেমথরক্লে; করিগুম্বা পোৎ অমা মখনাউদা পনবগুম ফাওরক্লে।

ঈশৈগী অরোইবা খোন্থাং শক্লকখি। অঙৌবা থানা মদু তারুবদা নোংঙাল্লকপা কাউথোকখিদুনা অতিয়াদা কুইনা লৈরম্মী। অঙাংবা গুলাবনা তাবদা নুংঙাইবনা মশা পূম্বা থক থক নীকখি। অয়ূক্কী অঙৈংবা নুংশিৎতা লৈরাংনা লৈকা ফন্না শাৎকায়রক্লে। খোন্থাংনা মদুবু মাগী চীংনুংদা পুশিল্লগা মঙ মঙলিবা শঞ্জেন্নহাশিংবু হৌদোকপিরম্মী। খোঞ্জেলদুনা তুরেলগী শীংনাং মরক্তা তাউথখিদুনা পাউজেল অদু সমুদ্র তান্না পুথখি।

“য়েংউ, য়েংউ!” পান্বীনা লাউরকই, “গুলাব অসি হৌজিক্তি মপূং ফারে।” অদুবু খোইনীংদুদি করিগুম্বা অমতা খুন্নকখিদ্রে, মরমদি তিংখংনা মথম্মোয়দা যূশিল্লগা মহাক অশংবা নাপী মথক্তা শিদুনা তারি।

নুমিৎ য়ুংলকপদা ছাত্রদুনা থোঙনাও হাংদোক্লগা য়েংথোরকই।

“এ! কয়াদা লাইবক ফখ্রবনো!” মহাক্লা হায়রকই, “অঙাংবা গুলাব অমা শাৎলেদনা! অসুক ফজবা গুলাবতি পুন্সিদা উদ্রি। অসুক ফজবা লৈ অসিদি মাগী লেটিন মমিং অমা শোয়দনা লৈরমগনি।” মহাক্লা নোন্থরগা লৈদু হেক্লে।

ছাত্রদুনা টুপী উপশিল্লগা, মখূৎতা গুলাবতু পায়রদুনা প্রোফেসরগী যূমদা চেল্লকখি।

প্রোফেসরগী মচানুপী অদুনা হোজঙ মপান্দা ফম্লগা ধোরীদা মুগাগী ফিতা য়েৎশিন্দুনা লৈরম্মী; মখোঙ ময়াদা মাগী হূই মচাদুসু কূল্লি।

“গুলাব অঙাংবা অমা পুরক্লবদি নহাক ঐগা জগোয় শামিন্নগনি হায়খিদনা নঙনা,” ছাত্রদুনা হায়রকই, “পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ঙাংলবনিসে মসে। নঙ মসি, ঙসি অহীং থবাক্তা, থম্মোয় মপাদা থেৎপিয়ু; ঐনা নঙবু কয়া য়াম্না নুংশিবগে হায়বদু ইবান্নী হোরেল জগোয় শারিঙৈদা মসিনা মদোম ফোঙদোকচরক্কনি।”

নুপীমচাদু শাউগৎলকই।

“ঐগী ফিজোলদুগা মসিগা চান্ননি থাজদে,” মহাক্লা খুন্নকই, “অদুগীসু মথক্তা নিংথৌ ফম্নাইবগী মচানুপানা ঐঙোন্দা তম্ফা অশেংবা খরা থারক্লে। লৈদগীদি তম্ফানা আ: হেন্না মমল তাঙই হায়বসি ময়াম লোইনা খঙনবনি।”

“ফৈ, নঙসিদি তৌবিমল য়াম্না খঙদে,” ছাত্রদুনা শাউনা হায়খি। গুলাব অদু মহাক্লা লম্বেলদা হুন্দোকপদগী গাড়ি চাকানা তকথৎখ্রে।

“তৌবিমল খঙদে হায়বা!” নুপীমচাদুনা হায়রকই, “ঐবু নঙোন্দা করিবু হায়খ্রবগে? নঙসে ৱাঙাঙ-শাঙাঙ য়াম্না লূদে। অদু'ইসু মথক্তা নঙবু কনানো? শূপ্পদগী ছাত্র অমনি। করিনো, নিংথৌগী ফম্নাইব'ই মচা'ইদুম হায়না নঙগীদি নখোঙ খোঙউপতা লুপাগী বগল্স পানবা ফাওবা ঙমজদ্রি।” নুপীমচাদু চৌক্রিদগী হৌগৎলগা ইমুংদা চঙখ্রে।

“নুংশিবা হায়বসি কয়াদা পঙখ্রবা থবক্লো!” ছাত্রদুনা চৎনা চৎনা হায়রকই। লোজিকতৌনা, তংখায় অমা ফাওবা কান্নবা জাৎ নত্তে। মরমদি মসিনা করিসু ওইদে। ওইররোইদবা ৱা খক্তনি মসিনা হায়রিবসি; মীবু ওইদবদা থাজহনবনি। তশেংবনি, ওইরোইদবা থবক্লি। মতমসিদা কান্নরিবদি ওইথোকপদু ঙাক্তনি। ঐ দর্শন শাস্ত্রদা অমুক হঞ্জিল্লগে; অদুগা অচুম্বা হায়বদু অমুক নৈনরগে।

অসুম্না মহাক্লা মাগী কাদা হনখ্রগা উফূল থাংলবা অচৌবা লাইরিক চিংথোক্লুই অদুগা পাবা হৌরকই।❍

*— মণিপুরীদা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা*

---

# ইচা পোকপগী মহয়

## (পাউ চে অসিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবা-২০১৫ দা কোন্সোলেসন প্রাইজ ফংলবা ৱারীমচা)



**অহোংশাঙবম প্রামেশ্বরি দেবী**

**হুইয়েন লানপাউ** পাউচেনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবদা মঙাশুবা পোজিসন তাদুনা কোন্সোলেসনগী প্রাইজ ফংখ্রবা অইবী অসি কুমজা ১৯৯৭গী ডিসেম্বর ২১দা ত্রোংলাউবী মখা লৈকাই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা পোকখি। অপোকপগী মিংনা অহোংশাংবম তোলপীশক অমদি অপোকপীগীনা অহোংশাংবম ওংবী জিবনলাতা কৌই। হৌজিক-হৌজিক ইম্ফাল কোলেজদা মহৈ তম্লিবী অইবী অসি শৈরেং অমসুং ৱারীমচা ই। মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে খরদা মহাক্কী শৈরেংশিংসু ফোঙখ্রে।

**সন্ধ্যা** য়াচঙবা মতমনি। নুংতিগী হল্লকপা মতম হেল্লে। শোরোক্তা থোক্তুনা য়েংলুই। লাকমন্দবদুদা ইমুংদা চঙলক্লে। নুংশা থিরকই থেঙজিল্লকপদুদা। লৈরিক্কা পোৎফম থঙননা ফম্বী চাউবীদা ফোন তৌদুনা মাগী নুপীবু হনখ্রবরা হায়না হংনবা হায়রুবদা মমৌ নুপী শখিনা খুন্নকই,

— ফোন পৈশা য়াওদ্রে। তলব ফংদদনা ফোনগা পৈশা হাপ্পা ঙমদ্রে। কনাদনো অমা হঙবিরু বাজী।

— ফরে ফরে লাকচরনি। নোংনগা চুবনে থেঙনগা থেঙলকপনে ইপানা নুংশা থিদনা তৌবনি।

মশুনুপাদা অমুক ওনশিল্লি,

— হোরেন নবোক হল্লক্লগা চেচেগা ঙামোক চাবা লাকউ।

মশুনুপীদু উদবদুদা কদায়দা লৈবনো হংনিংবনি অদুবু হংলমদনা তপ্পা থোকখি। মচুবা মেৎলগা লৈহৌই শখি,

— হুম! নুংশিখিদ্রেদা। শিকি-অনা, ঙারি-মোরোক্কীসু ঐখোয়দা ঙাগনি। কোক শিখ্রগেদি হায়দবনি। মথি-মকুম পুবা ঙমদ্রে। মখোয়সিদা য়েৎলক্তনবা হায়দনা শঙ্গোইদা লৈহল্লিবসি কৈমতা খঙদবনি।

তারমগনি, তাসনু মতাগুম হায়বা ৱাহৈনি অদুবু করিসু হায়রমদনা অদুম থোকখি। মচানুপাগী মাঙ্গোলদা থাল্লিবা মৈদুনা মপান্দদি পুংঙাল ঙাল্লবসু অমম্বা ইমুংদুদা মার মারগা চঙখি। থাউমৈ পুদোন অমা চুখৎলি। লৈরিক হল্লকপা ঙাইবা ওইনা ফমুংদা হিপথৈ। ঙাইহাক লৈরগা লৈরিক শ্বর থবেৎ থবেৎ হোন্না পুংচোৎ চোৎনা চঙলকই। কোকথোং নাক্লগা পুরক্লিবা পোৎয়োম মচাদু লৈবাক্তা থম্মী।

কাঙ্খল হায়ফেৎ হায়দোক্লগা হায়রকই, “নঙ হল্লক্লেদনা। ঙসিদি করি কৈদৌবা য়াওরে থেঙলক্লবদি? এ! নশাসু পুংলুপ লুপলেদনা।”

লৈরিক মফি হোংদোক্লগা লৈবাক্তা ঙেক ফমথৈ।

— কৈথেলদা বোম পোকখায়দনা মীচম অমা শিহৌরে। কনানা করিগী পোকখায়হল্লিবনো হায়বা খঙদে অদুগী কৈথেল ফম্বী ইমা ইবেল ময়াম্না ঈরাং হৌদনা থেঙলিবনি। হয়েংসু বন্দ কৌখ্রে।

— নোংমতা কাংদে ঈরাংসিসু। কাপ্পম্মেগা, হাৎলম্মেগা, বন্দ, ব্লোকেদসু নোংমতা কাংদে হায়বদো য়ৌরে। শুরগা চাবা ঐখোয়না লৈবাকসিদা হিংবসি লুদৌরি। খুদোংথিবা য়াওদনা নঙ হল্লক্লিবসে ফরে। চাক থোংঙুসি লাক্লো।

চাক ঈশিং চা লোইরগা ফমুং চঙবদা পুং ১০ রোম তারে। মচানুপাদু পার্টি অমা য়াওরুরগা হল্লকপা মাল্লি। গাড়ী খামখিবগী মখোল তাই। মাগী নুপীগসু লাউনখি অদুবু কান্নররোই খন্দুনা ৱাতেম্মুদ্রে। লৈরিক্তু লোক অহুম মরিরক কংখু খুরকই। মাগী নুপীদা য়েংঙি, ফি অপাবা অমা চিংখৎতুনা শুপ্পী। নিংঙমদনা থম্বালজাওনা হায়রকই, “হন্দক্তি পেন্সন ফংবগা আ ইম্ফালগী অফবা হোস্পিটাল অমদা চৎতুনা লায়েংলুসি। কুইরে পেন্সন ফংদবসু। থা তরেৎ মপুং ফারক্লে।”

— নোং চোৎপদুদা তৌরিনি করিসু তৌরোইদা। পোথারসি মতম অসিসু থেঙলে।

লৈরিক্তু থবাক নাবা মাল্লি, মখূৎনা হায়ফেৎ থবাক্তা নৈ।

মথঙগী অঙনবা অয়ূকনি। মমশুক তৌরি, লৈরিক্তু মখা লৈকায়গী রাধেখোয়গী লৌ লিংবা য়াওনবা হংলুই। য়েম্পাক অমা কুপশিল্লি। মশাদা লংবার চেরং য়েৎশিল্লি। মপুরোইবদা হায়রম্মী- “তারবা? ঐ রাধেখোয়গী লৌ লিংবা চৎলুখিগে। চেঙফুদা চেঙ খরা য়াওহৌবনি। হৌজিক অয়ূক্কীদি কোন্ননি। থোংলগা চারম্মো।”

— নঙগী চাক্তি কমদৌবা?

— চজিক খরা লৈবদু পুরে। ইশুশিংগী অচাপোৎসি উপু মথক্তা থনম্লবনি। হোরেন হৌগৎলক্লগা পীজবিরো।

হোয় হোয় চৎলুরো হায়বা পাউখুমদগী হেনঙমদে। নুংশুক নুংজাননা তুমিন্না লৈহৌই। লৈরিক চৎখিবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা নোং থিৎলি-থিৎলি চুরম্বদু তোকখ্রে। হৌগৎলগা শুমাং-থেলোং শিৎ-শেংঙি। মশুশিং হৌদোকপি, খুন্নক্তে। অহল ওইবনা শুরিবা থবক্তু মশা নানবদি ৱাৎলি। ইস্কোলদা হৌরিবা নাপীশিংদু ফম্না ফম্না ফুকপোই ফোইবোই খরা তৌই। থম্বালজাও অহল ফনা ওইরে, মশাসু শোল্লে। মাগী নুপীদগী চহী ১৫ মুক হল্লি অদুনা লৈরিক্লা ওইনা ইমুং পুরি।

মমৌ নুপী শখিদু পুং ৭ মুক তারকপদা হৌগৎলকই। থেঙলবসু থেঙনা মমিৎ ফাক্লি-ফাক্লি নুমিৎ খুরুম্মী। মতৌদুদা ফ্রং হৌনা শাওনিংলুরে।

— নত্তে, নোয়বু য়াহৌ ঙন্না হৌগৎপা য়াদ্রো? নুমিৎনা নল্লগা তুম্বসি হকচাং নুংঙাইতবনি। হৈনখিবা হায়বসি হোংদোকপা ৱাবনি। তৌনু-তৌনু মতুংদা।

- য়েংশিনখ্রপোৎনি…। সনিগা চপ মান্নে। ক্রেকপু চুবরা কৈনো? ও! অহল ওইবগী তৌরিবা থবক্তু অদুম তৌবিয়ু। অয়ূকসিদা মীগী খোইদৌ শিকপীরক্নু।

শাওনা শাওনা ইমুংদা চঙখি। কদোমদগী শিন্থরকপা পিরাংনো খঙদে। থম্বালজাওদু মীৎলু অনীদা পিরাং তৈথোকখি। থম্মোয়দা নীংঙমদবা ফাওরবসু থবক্তি অদুমক মখা তানা শুরি।

অৱাং লৈকায়গী কহ্নাইদু কোম্থোংলোমদা চঙলকপা উই।

— কহ্নাই, নঙ লাক্লিবরা?

— লাকচরি তাদা। ইতৈমা থোইবীগী বার্তন হৌবদো ঙাইহাক লেঙলুসি হায়দনা হৌবা লাকচরিবনি।

— চৎলুসি চৎলুসি । ইস্কোলসে নাপীনা লেপ পৌ থুম্মে হায়দনা শেংদোক্লম্বনি।

কহ্নাইনা মরৌ লৈনা নোৎশল্লকই, “নচা নমৌনা সেবা তৌদনা নুংঙাইনা লৈথোকপা য়ারবনি।”

থৈদোক্লা খুম্মী। থম্বালজাও য়াম্না শিংবা মীনি , “কহ্নাই, শাজেল ওইনা তৌরিবনি। শুমন্দ্রবসু হকচাংসে লুমথৈ। লাকও ঙাইহাক ফম্মুখিসি।”

ফিদা অমদা ফমহল্লি। থম্বালজাওনা ইস্কোল শুরুবগী লৈখোম লৈনাং তৈরিবা মশাদু চামথোক্লবা পুখ্রিদা কুমখ্রিঙৈদা মহাক্কী মমৌগা মশুশিংগা মমাঙ কাদা অয়ূক্কী অচা অথক চারিবদু মিংশেল পানবা থোঙনাওদুদা য়েংশিনখিবদা উই। মপূক্লিংদা খল্লি মকুসিগী চা গ্লাস অমফাও পীথক্লিংদবা মচা মমৌসিবু করম্বা থম্মোয়নোনে। মতোমতা ৱাহং জাৎ-জাৎ হংলকই।

কবোক ময়োম অনীখক পুথোরকই। কহ্নাইদা অমা পী। মশুনুপা থোইবসু কৌথোক্তুনা অমা পীরম্মী। মমানা পীজরমগদ্রা পীজরম্মোইদ্রা হায়বদি হন্না য়েংলমদ্রে। পেন্সন ফংদবগী ৱারী শান্ন-শান্নরগা থোকমিন্নখ্রে। থোইবীগী মচাশিংনা বার্তন হৌবা য়াওনবা লেংলক্লিবা অহলশিংদু তরাম তরাম তৌই। মচাশিংদু মিকৌ মিরম ফজে। মচানুপা এ এস ও ওইবদুনা বার্তন হৌবা লোইরবা মতুংদা লেংলক্লিবা অহল ইবুংঙোশিংদা ফৈজোম অমমম কৎলি। মসি উবদা কহ্নাইনা ফাগী ওইনা হায়রকই - “তাদা থম্বালজাওগী মচানুপা লুখোয়দি এস দি ও ওইবনিনা ফৈজোম অনী অনীবু কৎলকপ্রা খঙদ্রি। মোরেদা লৈখিবা মচানুপা ইবোচৌবসু মোরে নিংঙোল লৌরগা লৈখিবদগী করবার মপা চুমখ্রে, শেল য়াম্নসু পায়রে হায়। মানসু শাল অমমম কৎচরকচনি।

ময়ামদু ৱা লাউনা নোক্লে। থম্বালজাওনা তপ্পা খুন্নকই

— ঐসু মখোয়দা শিন্নরমগনি। ঐগা তিন্নরম্বা মরুপ মপাংশিংবু মখোয়না ইকায় খুম্নরক্তবা য়াবা নত্তেদা।

মপানি হায়দুনা মচাদা ৱা হায়বগী হক মাঙখ্রবা মহাক্লা ৱাহৈ খরসি হায়দোক্লরগা চিন পুথবা তারে খন্দুনা পাখৎচরকই। মোরেদা লৈখিবা মচানুপা অহলদুসু নুপী থিখিবদগী নোংমতা মপা মমাবু নীংশিংলকখিদ্রবনি। থোইবীগী মচাশিংনা মমাবু নীংজবা মতৌদা লেংলক্লিবা অহলশিংদুনা মচা পোকপগী মহয় য়াল্লে হায়বগী খোঞ্জেলনা মান্দপ খল্লিবা মফমদু পুম্নিল নিলবগুম তৌই। থম্বালজাওসু মপূক্লিংদা খঞ্জে - ইচা পোকপগী মহয় য়াল্লবরা ঐ। ময়ুমদা হল্লক্লগা মফি হোংদোক্লগা পুখ্রিদগী ঈশিং বালটিন অমা লাকখৎলগা চাইথৈ। চাক চখোম্মুক মখূৎনা থোংজবদু চাবা তোক্লগা ঙাইহাক ফমেন ফক্তা খ্বাঙ তিংথোকই।

কোম্থোংদা ওটো খাল্লম্লগা লৈখোম লৈনাং ইতৈ তৈবা পাখঙ মচা অমা তফিং তফিং চেনশিল্লকই।

— ইপু ইপু।

ফিংনা হৌগৎলকই

— কৈদৌবা য়াওরে ইবুংঙো?

- ইবেনদো …।

— নবেনদো কৈদৌরবা?

— ইবেনদো লৌ লিংলিঙৈদা ৱাস্থরক্তুনা লায়কন্নহৌরি।

হোস্পিটালদা পুদবা য়াররোই। খাতোনখোয় লৈতবরা?

ইপা পাখৎনা মমৌ নুপী কৌই। পাক খুন্নক্তে। তামন্দবদুদা ইমুংদা ফি হোংদোকপা চঙখ্রে। শখি থোক্লক্তুনা ইতপ তপ্পা

— করি কৈদৌবা য়াওরে অহেনবা?

ৱারীদু তম্মী। মকুবোক থোক্লকপা উবদা নৌথরকই

— অহেনবা, ঐখোয়সু লাক্লবা তৌগে, বাজীগা হান্না চৎমিন্নরম্মো। নঙ খাতোন্দসু পাউ পীখ্রগে। করিসু তৌরোইদা অহল ওইরকপগী নুংশাদা থবক শুবদুদা তৌরিনি।

লকক তৌনা মখা শমথরকই,

— লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদা ওইনা পুশিনল্লম-ও। মসিদা শুরনু হায়ববু য়াদে। ঐখোয়সে লৈকায় মমাঙদা য়োল্লবনে।

পাখঙ মচাদু ইঙক ঙকই। অদুবু মপু থম্বালজাওগা খোঙথাং য়াংনা থাংমিন্নখি। পাখঙ মচাদু হোস্পিটাল চৎননবগী মাগী কোম্থোং মপাদা লৈহৌরে, শোরোক্তা ঙাইরম্মগে হায়রে। থম্বালজাওনা লৈরিকপু ওটোগা হাপ্লগা পুরগা লাকপগা ঙাইরমগে হায়রকখিবা অহেনবদুসু থেঙনবা ঙল্লমদ্রে। মথন্তনা অনাবদু মমৌগী য়াথঙ মতুং ইন্না লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদা পুখৎলে। ডোক্টরশিংনা হার্টকী অনাবনি, ব্লদ প্রেসর য়াম নেম্মী হায়। হিদাক লৈরুনবা হায়রবসু ঙাইহাক মচা লাকপা ঙাই, লাকমন্দবদুদা উপাই অমা তৌরগা হিদাক লৌরুরগা হল্লকপদা লৈরিক্তি থৱায় থারল্লে।

থম্বালজাওগী আশা কায়খি, থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদু মথানুংদা কোন্দুনা কপচৈ। লৌরুবা হিদাকশিং হন্দোক্লম্লগা লৈরিক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু গাড়ীদা হাপকৎতুনা ময়ূম মায়কৈ পাংনা থৌরক্লে। লম্বীদা মচানুপা থেঙনৈ, যূমদা ওইনা লাক-ও হায়রল্লে।

লৈখিদবা নুমিৎ ৭ নি শুরে, ইবোচৌবদা পাউ পীখ্রবনি অদুবু নুমিৎ নীনিনি হেল্লফাওবদা মোরেদগী থোক্লক্তে। মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা শখিনা চপি থারগা লুখোয়না মপাদা হায়রকই, “বাজী ইমাগী শোরাৎসি গোবিন্দদা ওইনা শোল্লসি। ইমাদো লৈখিদ্রবনিনা কর্ম্মদা শেল য়াম্না তিংহনবা পামদ্রে। ইচাশিংগীসু খন্দবা য়াদে।”

— পীক্লবসু পীক্লা যূমসিদা শোন্নিংই ইপাদি।

শখিনা কোৎলকই,

— কদায়দগী পীকপা য়ানি। লিশীং ৪০-৫০ হেক্তা চঙখিদৌরিবনি।

থম্বালজাওনা মোলি মোলি হায়রকই, “ইপাদি অরাপ্পা মরুপ মপাংশিংগী বার্তন খরসু পীথোক্লুরে। হৌজিকপু করম তৌনি ইচাশা।”

লুখোয়না শাওনিংনা খুন্নকই, “ঐখোয়গী ৱাগা অমত্তা তাদনা বাজীনা হেক্তা শিনবনেবা। ও! ইমাগী শোরাৎসি ঐখোয় য়াওররোই। বাজীনা থোকপা শোনবিরো। ঙাঙলগা মখা শমথরকই, “অততাইগুম ঐখোয়খক্তা ইন্থোকপা।” শঙ্গোয়দগী প্রপ-প্রপ থোকখি।

নুমিত্তুগী নুংথিলগী লাইরিক তাবদসু মখোয় অমত্তা য়াওদে। নোংঙানবগী অয়ূক পুং ৯ মুক তাবদা ফি নান্না শেৎলগা লুখোয় মতৈ মনাও মচা অনীগা লোয়ননা যুম শো লোল্লম্লগা থোক্লকই। শুমাংদা অরাংফমগী মনাক্তা ফল্লিবা মপাবু কৌথোক্লগা লোন্না ৱা খরা হায়রম্মী - “বাজী, নমৌ নুপীসে ঙমদ্রে। গুৱাহাটিদা লায়েংবা চৎলুখিগে। বাজীনা ফনবা ইমাগী শোরাৎসি শোনবিরম্মো।”

মচাগী ৱাহৈ তাবদা থম্বালজাও লুতোন শাৎখি ।

— নমাগীবু ঐনা ঙম্নবা শোন্দে হায়ব্রা? চৎলুরো- চৎলুরো নাবা ফরগা তেক্তা কায়দনা হল্লক-ও।”

বার্তন হৌবা নুমিৎতুফাও মচা অনীমক মপাগী মাঙদা লেপত্রবদুদা তৌফম খঙলক্ত্রে। মপূক্লিং নুংশিরকই, কহ্নাইনা থোইবীগী বার্তন হৌবা নুমিৎতা হায়খিবা ৱাহৈদু নীংশিংলকই। মচানুপা লুখোইগী মওংদুদা লৈকায়না ৱা ওইনা ঙাঙনরে। মতৌ য়েংঙমদ্রদুনা অঙম্বা খরা খরা পুথোক্লুরগা লৈকায়না ওইনা লৈরিক্কী শোরাৎতু শোনখ্রে। শোরাৎ নুমিদাংদুদগী থম্বালজাওনা মমাঙ শঙ্গোয়দগী থাংদোকখিবা খোঙথাংদু কদায়দা থাংখিবা খোঙথাংনো? ❍